# মন্দলেদা প্রো-দেমোক্রেসি মোঙ্কশিংনা মিলিটরি জুন্টাগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে



য়াঙোন, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : ম্যান্মার মীয়াম্না মিলিটরি জুন্টাগী ময়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা সিটি ওইরিবা মন্দলেদা মশিং য়াম্লবা প্রো-দেমোক্রেসি মোঙ্কশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

বুধিষ্ট লাইনিং চৎপা মোঙ্কশিং অসি ম্যান্মারগী মীয়াম্না থাক ৱাংনা থল্লিবা কাঙবু অমনি। মখোয়না করিগুম্বা মতমদা অরানবা থবক তৌদে অমদি অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংবনা মখোয়গী মরুওইবা থৌদা ওইদুনা লাক্লি। মোঙ্কশিংনা লন্বীদা থোক্লুনা ঙসি চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্স অমত্তনা অয়েৎপা পীখিদে।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা মোঙ্ক অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মিলিটরিনা লৈবাক অসিদা চত্থরিবা থবক থৌওংশিং অসি মীওইবগী মিনুংশিগী ৱাংমদনি। মী অমবু মরম লৈতনা হাৎপা অমদি ওৎ-নৈবা হায়বসি ইশ্বরগী মায়োক্তা থবক তৌবনি। মরম অদুনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী অপান্বা মতুংইন্না মিলিটরিনা থবক তৌগদবনি। খুৎলায় পায়বা লান্মীশিংগী মথৌদি মীয়াম্বু ঙাক শেনবনি। মখোয়দা য়ৈখায় থিনগায়বা তৌগদবা নত্তে হায়রি।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মোঙ্কশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পোলিটিকেল লিদরশিং অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি, মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু মীয়ামগা উনবদা অয়াবা পীগদবনি, মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমুক লৈবাক অদুদা লৈহনগদবনি হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখিবনি। মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু মিলিটরিনাকু তৌদুনা ইন্থুখিবগী থৌওং অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিং অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্নবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,১০০ হেন্না শিখ্রে অদুগা ৮,৪০০না ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না লোকেল মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা মোঙ্ক লুচিংবা খরদি জুন্টাগী লুচিংবশিংগা পুন্না চৎমিন্নবগী মমি উরি। মসিনা মরম ওইরগা মোঙ্ক মশেলগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবগী অচৌবা মমি অমা মীয়ামদা তাহল্লে। ঙসি চৎখিবা লমীয়ামগী খোঙজং অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্স অমত্তনা অয়েৎপা পীখিদবা অদুগী মরম মসিনা ওইরম্বা য়াই হায়নরি।

# লালহৌবশিংদা মতেং পাংদনবা পাকিস্তানদা খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : ক্বাদ কন্ট্রিগী লুচিংবশিংনা ঙসি টেরোরিষ্টকী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুং টেরোরিষ্টকী থবক থৌওংশিং মপুং ফানা থিংনবা হোৎনবা হায়না য়ানখিবগা লোয়ননা পাকিস্তাননা লালহৌবশিংদা মতেং পাংবগী থবক খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসগী হ্বাইট হাউসতা পাঙথোকখিবা ক্বাদ কন্ট্রিশিং (ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, য়ু এস অমসুং জপান) গী ওইবা মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসনা মতম লৈবা খিবিক্তা লালহৌবশিংগী ময়োক্তো লেপ্পুনা লাক্লি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মশাগী ওইজবা থিবা গ্রুপ খরনা ভাইলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং কয়া চত্থরি। লৈবাক অমদা লৈদুনা লালহৌবা লুচিংবশিংনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা টেররিজমগী ওইবা থৌওং কয়া চত্থরি।

অফঘানিষ্টানদা তোঙান তোঙানবা লালহৌবশিংগী লুচিংবশিংনা ওপরেট তৌদুনা থোকহনখিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। মরম অদুনা টেররিজমগী ময়োক্তা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তারি।

অমরোমদা টালিবাননা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চহী ২০ হেন্না য়ু এস ট্রুপশিংনা লৈবাক অদুদা লৈদুনা টেররিজমগী থৌওংশিং থেংনদুনা লাকখ্রে। লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা পুরক্নবগীদমক য়ু এসনা মখোয়গী ট্রুপশিং লৌথোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। মসি য়ু এসকী ওইনদি অচুম্বা খোঙথাংনি। চহী ২০ গী মতুংদা ঙসিদি অমেরিকানা লালদগী লাপথোক্না লৈরে হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তাননা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং মরুওইনা অফঘানিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগী ঙমখৈ শরুকশিংদা টেররিজমগী ওইবা থৌওং কয়া চত্থরিবা অসি লাইবক থিবনি। টালিবাননা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা খুদুম চনশিনখিবা অসিদা পাকিস্তানগী অচৌবা মতেং য়াওই হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

# ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি লৈহন্নবা য়ু এস, ইন্দিয়ানা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : ম্যান্মারদা জুন্টা লৈঙাক লাকখ্রবা তংদু-লৈতাদবা ফিভম অমা লাক্লিবা অদু অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা অমদি দেমোক্রেসি অমুক হন্না লৈবাক অদুদা লৈহন্নবা য়ু এস অমসুং ইন্দিয়ানা জুন্টাগী লুচিংবশিংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পোলিটিকেল লুচিংবশিং থাদোক্নবা আপীল তৌরক্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অনীনা হ্বাইট হাউসতগী থাদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না ম্যান্মারদা জুন্টা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী নোংমৈনা শিহনখ্রে।

এসোসিএসন ওফ সাওথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সতা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা ম্যান্মার মিলিটরিগী মকোক থোংবশিংগা কয়ারক হন্না মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহন্নবা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরিবা অসি লাইবক থিবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিদা মখা তানা কা-হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থবা লেপত্রবদি ম্যান্মারগী মথক্তা মালেমগী লৈবাকশিংনা অথিংবা কয়া থমজিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি। খূৎশু-খূৎলায়গা মরী লৈনবা হীরমশিংগী ওইনদি য়ু এস য়াওনা লৈবাক মরিনা ম্যান্মারগী মথক্তা অথিংবা থমজিনখ্রে।

# অফঘানিষ্টানদা নুপীশিংগী হক মাঙহল্লোই হায়বগী থাজবা পীগদবনি

ইস্লামবাদ, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : পাকিস্তানি রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবী মালালা য়ুসুফজাইনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা নুপীশিংগী হক মাঙহল্লোই হায়বগী থাজবা পীগদবনি হায়না পাকিস্তান গভর্ণমেন্টতা তকশিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক অফঘান নুপী কয়া টালিবাননা ওৎ-নৈবগী থবক চত্থরিবা অদু খূদক্তংগী লেপকদবনি হায়রি।

য়ু এন পীছ মেসেঞ্জর অমসু ওইরিবী মালালানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা অফঘানিষ্টানদা প্রেসর পীবা ঙমগদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা পাকিস্তানসু অমনি। মরম অদুনা অফঘান নুপীশিংগী রাইট মরু ওইনা মহৈ তম্বা অমদি গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিংদা থবক তৌবা য়াহনগদবনি।

অফঘানিষ্টানদা নৌনা পাৱর পায়রকখ্রবা টালিবাননা নুপীশিংগী হক মাঙহন্নবা হোৎনরিবা অদুগী চৈথেং পাকিস্তানদসু ফংলি। মরম অদুনা পাকিস্তান লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মালালা রাইট টু এদ্যুকেসনগী মতাংদা খোঙজংশিং চঙশিল্লুবগীদমক হৌখিবা কুমজা ২০১২দা পাকিস্তানগী টালিবান লালহৌবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎনবা হোৎনখ্রবা নুপীনি।

# ভোলকেনিক ইরপসননা মরম ওইরগা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে

মদ্রিদ, সেপ্তেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : স্পেনগী মনুং চনবা কনেরি আইলেন্দদা ভোলকেনিক ইরপসন থোরকপনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অদুগী ফ্লাইট সর্ভিসশিং কেন্সেল তৌখ্রে অমদি করম্বা মতমদা অমুক রিজ্যুম তৌগদগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি হায়না স্পেনিস কেরিয়র বিন্টরনা ফোঙদোরক্লি।

আইলেন্দ অসিগী মনুং চন্না লৈবা কম্ব্রে ভিএজাদা মমাং চয়োলদা ভোলকেনিক ইরপসন থোকখি। মদুগী মতুং ইখঙ খঙহৌদনা ঙসি অমুক ইরপসন থোরকখিবনি হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ভিএজা চীংগী মতোন থংবা শরুক্তগী নোংথক তম্না অমুবা মৈখু মপৈশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি অমদি চীংগী মতোন থংবা শরুক্তা লাওবগী চাংসু হান্নদগী হেনগৎলক্লি।

মসিনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অদুগী শরুক খরা অকনবা মওংদা নিকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা ইরপসননা শোকহল্লকপা য়াবা মফমশিংদগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে। আইলেন্দ অদুদা করি থোক্লগদগে হায়বা তম্বা ঙমদবা ফিভমদা লৈরি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 307/SDC/SLG/IE of 2021**

Parties : Gurumayum Bidyakumari Devi W/o (L) Tonsana Sharma of Lairikyengbam Makha Leikai - Petitioner

-Versus-

Late Pattada : Gurumayum Tonsana Sharma S/o (L) Modhumangol Sharma of Lairikyengbam Makha Leikai - Opposite Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Sagolmang, 23/9/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 16-Yumnam Patlou পাট্টা নং 216 (অনৌবা), দাগ নং 359, মোট এরিয়া .11 একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0161/26

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 158/SDC/Bishnupur, 2021**

Yumnam (O) Soibam Shantibala Devi W/o (L) Angouba Yumnamcha of Bishnupur Ward No. 8 - Petitioner

- Vs -

Late Angouba Yumnamcha S/o (L) Rajmohon Singh of Bishnupur Ward No. 8 - O. P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Bishnupur, the 25-09-2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Angouba Yumnamcha S/o Late Rajmohon Singh of Bishnupur Ward No. 8 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur পাট্টা নং 110 (অরিবা) 15/1460 (অনৌবা), সি: এস: দাগ নং 1301/4002 গী 0.20 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/0162/26

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref. Mutation Case No. 265 of 2021**

1. Heirangkhongjam Meghachandra Singh S/o (L) Kshetra Singh of Leimaram Mamang Leikai
2. - do - Haridas Singh S/o Meghachandra Singh of - do -

- Applicants

-Vs-

1. (L) Heirangkhongjam Achou Singh S/o (L) Kshetra Singh of - do -
2. Heirangkhongjam Meghachandra Singh S/o (L) Kshetra Singh of - do -

- O.P. Pattadars

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Oinam, the 25/09/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৬-নামোই খুলগী পাট্টা নং ১২৫, ৩০১, ১১৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২৫৭, ২৫৮, ৬৭ এরিয়া একর ১.৫৮, ১.৩১, ২.৮৩ চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/0165/26

## In the High Court of Manipur at Imphal

**W.P.(C) No. 594 of 2021**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issuance of writ in the nature of certiorari or any other appropriate writ/order/direction and thereby quashing the impugned Seniority List dated 12.08.2021 and to prepare a fresh Seniority List according to the date of appointment as mandated in the Office Memorandum dated 13.08.2021 coupled with a prayer for a direction to the respondents not to proceed with the promotion of filling the post of Sub-Inspector of Police (Male/Civil).

*Nongthongbam Mangoljao Meitei & 2 Ors.* ... Petitioner

*– Versus –*

*The State of Manipur & 92 Ors.* ... Respondent

To

| | |
|---|---|
| 1. Moirangthem Budhamani Singh | *Respondent No. 3* |
| 2. Sougaijam Barun Singh | *Respondent No. 4* |
| 3. Chingangbam Jebish Singh | *Respondent No. 5* |
| 4. Chingangbam Somorjit Singh | *Respondent No. 6* |
| 5. Mongsatabam Pramesh Meitei | *Respondent No. 7* |
| 6. Usham Lamajit Meitei | *Respondent No. 8* |
| 7. Md. Giyasuddin | *Respondent No. 9* |
| 8. Ngangom Jhalajit Luwang | *Respondent No. 10* |
| 9. Khangembam Maichal Singh | *Respondent No. 11* |
| 10. Rakesh Singh Yumnam | *Respondent No. 12* |
| 11. Akoijam Rigan Singh | *Respondent No. 13* |
| 12. Mutum Surjit Mangang | *Respondent No. 14* |
| 13. Oinam Romesh Singh | *Respondent No. 15* |
| 14. Ch. Bishojit Meitei | *Respondent No. 16* |
| 15. Maibam Somorendro Singh | *Respondent No. 17* |
| 16. Sagolsem Maneshwor Singh | *Respondent No. 18* |
| 17. Ahung Thongam | *Respondent No. 19* |
| 18. Konsam Rajesh Singh | *Respondent No. 20* |
| 19. Moirangthem Robinson | *Respondent No. 21* |
| 20. Kangabam Hemchandra Singh | *Respondent No. 22* |
| 21. Maibam Liston | *Respondent No. 23* |
| 22. R.K. Richard Singh | *Respondent No. 24* |
| 23. Leishangthem Devananda Singh | *Respondent No. 25* |
| 24. Arambam Babloo Singh | *Respondent No. 26* |
| 25. Toijam Romen Singh | *Respondent No. 27* |
| 26. Nongthombam Samananda Singh | *Respondent No. 28* |
| 27. Ningthoukhongjam Nokul Singh | *Respondent No. 29* |
| 28. Nongallakpa Yumnam Mangang | *Respondent No. 30* |
| 29. Moirangthem Selinkumar Singh | *Respondent No. 31* |
| 30. Sharungbam Nikhil Singh | *Respondent No. 32* |
| 31. Yanglem Samarendra Singh | *Respondent No. 33* |
| 32. Supam Sanatomba Singh | *Respondent No. 34* |
| 33. Moirangthem Roshan | *Respondent No. 35* |
| 34. Thangjam Jiban Singh | *Respondent No. 36* |
| 35. Hijam Amitkumar Singh | *Respondent No. 37* |
| 36. Waikhom Ronny Singh | *Respondent No. 38* |
| 37. Pheiroijam Roshan Luwang | *Respondent No. 39* |
| 38. Laishram Super Singh | *Respondent No. 40* |
| 39. Wangkheimayum Hemango Singh | *Respondent No. 41* |
| 40. Konthoujam Deepak Singh | *Respondent No. 42* |
| 41. Haobam Nelson Singh | *Respondent No. 43* |
| 42. Laiphrakpam Hozo Singh | *Respondent No. 44* |
| 43. Laishram Tikendro Singh | *Respondent No. 45* |
| 44. Lamabam Rajesh Khuman | *Respondent No. 46* |
| 45. Donald Akoijam | *Respondent No. 47* |
| 46. S. Taibanganba Meitei | *Respondent No. 48* |
| 47. Naorem Helenjit Meitei | *Respondent No. 49* |
| 48. Ephammayum Mujibur Rahaman | *Respondent No. 50* |
| 49. Mumtaza Khan | *Respondent No. 51* |
| 50. Yambem Satyajit Singh | *Respondent No. 52* |
| 51. Md. Noor Mohammad Shah | *Respondent No. 53* |
| 52. Rajkumar Ranjan Singh | *Respondent No. 54* |
| 53. Rambo Yumnam | *Respondent No. 55* |
| 54. Sorokhaibam Kenedy | *Respondent No. 56* |
| 55. Mutum Peterson | *Respondent No. 57* |
| 56. Mohmad Faazil | *Respondent No. 58* |
| 57. Yumnam Subhachandra Singh | *Respondent No. 59* |
| 58. Khuraijam Boney Singh | *Respondent No. 60* |
| 59. Kshetrimayum Gyanjit Singh | *Respondent No. 61* |
| 60. Govinda Khundongbam | *Respondent No. 62* |
| 61. Ningthoujam Andl Singh | *Respondent No. 63* |
| 62. Hijam Johnson Singh | *Respondent No. 64* |
| 63. Laishram Tiken Singh | *Respondent No. 65* |
| 64. Laishram Premananda Singh | *Respondent No. 66* |
| 65. Laishram Jotin Singh | *Respondent No. 67* |
| 66. Kangjam Jiban Singh | *Respondent No. 68* |
| 67. Nongthombam Joykumar Singh | *Respondent No. 69* |
| 68. Sanoujam Langam Meetei | *Respondent No. 70* |
| 69. Mohmmed Rahimuddin | *Respondent No. 71* |
| 70. Haobijam Birchandra Singh | *Respondent No. 72* |
| 71. Thangjam Arunkumar Singh | *Respondent No. 73* |
| 72. Ningthoujam Robert Singh | *Respondent No. 74* |
| 73. Naorem Rojen Singh | *Respondent No. 75* |
| 74. Ksh. Geetchandra Singh | *Respondent No. 76* |
| 75. Ningthoujam Malemnganba Meitei | *Respondent No. 77* |
| 76. Kayenpaibam Yashobanta Singh | *Respondent No. 78* |
| 77. Dinendro Khuraijam | *Respondent No. 79* |
| 78. Sagolsem Sunil Singh | *Respondent No. 80* |
| 79. Potshangbam Siddhartha Singh | *Respondent No. 81* |
| 80. Lairikyengbam Bishowraman | *Respondent No. 82* |
| 81. Chingangbam Nongthang Singh | *Respondent No. 83* |
| 82. Huidrom Sajan Singh | *Respondent No. 84* |
| 83. Md. Mansur Khan | *Respondent No. 85* |
| 84. Heisnam Anand Singh | *Respondent No. 86* |
| 85. Md. Tumijur Rahman | *Respondent No. 87* |
| 86. Moirangthem Sangeet Singh | *Respondent No. 88* |
| 87. Md. Didar Hussain | *Respondent No. 89* |
| 88. Yumnam Romeo Meitei | *Respondent No. 90* |
| 89. Ningombam Dhaneshwor Singh | *Respondent No. 91* |
| 90. Loitongbam Premkumar Singh | *Respondent No. 92* |
| 91. Thangjam Saratchandra Singh | *Respondent No. 93* |

*Through – The Director General of Police, Govt. of Manipur, Imphal, Manipur, Police Head Quarter, Babupar, Imphal – 795001.*

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C**
**(SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 10.09.2021 passed in WP(C) No. 594 of 2021 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 93 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local daily(s) one in English and one in Vernacular returnable on 08.10.2021.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 08.10.2021 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 22[nd] September, 2021.

By: **Mr. A. Mohendro, Advocate**

By Order,
**ASSISTANT REGISTRAR-I**

HL-P/0164/26 & 27

## DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR
## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE PRINCIPAL
## D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL

### ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / ADMISSION NOTICE

Dated, the 25[th] September, 2021

*No. 1/1/Adm/2028-DMCA* : In continuation of the earlier order no. *No. 1/1/Adm/2028-DMCA* dated 22[nd] September, 2021, it is hereby notified to all the candidates that the Open Counselling for admission to B.A. 1[st] Semester (Hons. / Regular or Pass course) for the academic session 2021-22 will be held on **27[th] Sept., 2021 at 10:00 am to 3:00 pm** at the premises of **D.M. College of Arts, Imphal.** The list of candidates who are eligible to attend the open counselling will be available at the College website *www.dmcarts.ac.in* as Annexure I & II.

**The admission process will be done on the day itself in the premises of D.M. College of Arts, Imphal from 10 a.m. to 3 p.m.**

The list of documents to be produced and submitted at the time of counselling cum admission is also available at the college website.

**Sd/- Dr. Ch. Sheelaramani**
Principal, D.M. College of Arts, Imphal

HL-P/0163/26

***ADMISSIONS OPEN***

FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22

HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !

STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING COLLEGE OF BANGALORE

COURSES OFFERED:

*B. E (COMPUTER SCIENCE)
*B. E (CIVIL)
*B. E (MECHANICAL)
*B. E (ELECTRONICS & COMMUNICATIONS)
*B. E (ARTIFICIAL INTELLIGENCE & MACHINE LEARNING)

College Highlights

*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.

CONTACT US: 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/0105/2609-4/10

LOAN পীজরি WITHIN 45 DAYS মনুংদা LOAN ফংহঞ্জগনি

No Processing Fee — No Deposit

1. Self Employed persons Loan.
2. Agri Land Loan.
3. Non-Agri Land (Mortgage property) Loan.
4. Salaried Person Loan

Office Hour : 10 am to 3 pm.
# 9362323364
# 7005862472

Sd/- Manager
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
Chingmeirong, Imphal
Near Maruti NEXA

HL-B/7156/15-29/9

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7118/1/9-1/10